# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া নোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখ্তুরি।

২) কেন্দ্র সরকারনা হায়রি- মণিপুরদা অমরুট টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা লুপা কোতি ৪ লাখ ২৮ চংনা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎলি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৌমী, ঙামী অমসুং দেরি ফার্মরশিংগী স্বার্থ শোক্কদবা মওংদা ভারতনা মখল অমত্তগী শন্তাইনবা তৌরোই।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্তুবা অমসুং এরিয়া নোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখ্তুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- অরোনবা পাউশিংদা যুম্ফম ওইদুনা থিবা হুন্বগী থবক চখ্তুবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং ক্রিমিনেল এক্তিভিতিশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংপাল চিংঙাংবম লৈকাইদা লৈবা মশাগী যুমদগী সোরেপাগী মীওই অমা রাজ্য পুলিসনা ফাগৎলে। মহাক ওইল পম্পশিং, কলেজশিং, দুকান অমসুং সরকারগী ওফিসশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

তেংনৌপল জিলাগী খুদেংথাবীদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা গাড়ি অমদা ষন ১৩ পুদুনা লাকপা মীওই অহুম ফারে। আইন কায়না ষন লল্লোনবশিং অদু মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এম. চানৌ ভিলেদগীনি হায়রি। মখোয়দগী চাউরাকা লুপা লাখ ৮ লিশিং ৪৫ রোমগী মমল ওইগদবা ষন ১৩ অমসুং মদুবু পুরকখিবা গাড়ি অদু ফাগৎলে।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা মোটোর ভেহিকলগা মরী লৈননা মখা তানা ড্রাইভ চথরি। ঙরাংসু খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফুন্দ্রে মমাং লৈকাইদগী গাড়ি হুরানবদা চেন্নবা মীওই অনি পুলিসনা ফারে। মখোয় তম্পাক্কী লমদগী গাড়ি হুরাল্লগা চীংগী লমশিংদা পুদুনা য়োন্থোকপদা চেন্নে হায়বা খঙবা ঙমলে।

ওকপা (এল) ঃ সেপাক তাক্রৌ মশান্নদা ভারতকী টিমদা য়াওদুনা মালেম থাক্কী চাংদমবশিংদা শেঞ্জেং অমসুং সনাগী তকমান লৌরকখ্রবা ৭ শুবা মণিপুর রাইফলসকী রাইফলমেন খুনাইজম হোলেন্দ্রোবু মণিপুরগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা হরাউ তয়ামা ওকখ্রে। শ্রী হোলেন্দ্রোনা পাটনাদা পাঙথোকখিবা আই.এস.টি.এ.এফ ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ দা ভারতকী টিমদা শরুক য়াদুনা সনাগী তকমান লৌরকখি। মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান কপ ২০২৫ অমসুং থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা কিংস কপ ২০২৫ দনা শেঞ্জেংগী তকমানশিং ফংলকখি। হোলেন্দ্রোনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মণিপুর পুলিসপু চাউথোকচনিঙাই ওইরবা থাক অমদা পুখৎলকপগীদমক দি.জি.পিনা মহাকপু তরামা ওক্কুনা পুকিং থৌগৎখিবনি।

ঈশিং (এল) ঃ কেন্দ্রগী হাউজিং এন্দ অরবান এফ্যারস রাজ্য মন্ত্রি তোখান সাহুনা হায়রি- মণিপুরদা অমরুট টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা লুপা কোতি ৪ লাখ ২৮ চংনা ৱাটর বোদিশিং নৌনা শেমগৎপগী প্রোজেক্ট ২১ পায়খৎলি।

লোক সভাদা ঙরাং মণিপুরগী এম.পি- ডাঃ অঙোমচা বিমোল

অকোইজমনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী সাহনা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি। হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুরগী ৱার্দ নম্বর ফাইভতা পুখ্রি অচৌবা অমা শেমজিনবা, চীংগৈ লৈকাই ৱার্দ নম্বর ফোরগী পুখ্রি শেমজিনবা, কুম্বী অৱাং খুনৌগী পুখ্রি অমসুং নিংথৌখোং অৱাং পুখ্রি অচৌবা, জিরিবামগী মল্টি যুতিলিতি কমপ্লেক্সতা লৈবা মীয়ামগী পুখ্রি, কবো ৱাকচিং মখা লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবা, লিলোং কোনুং পুখ্রি অমসুং হাওরৈবী অৱাং লৈকাই পুখ্রিনচিংবা শেমগৎপগী থবক য়াওরি।

নোং (এল) ঃ মণিপুরদা ঙসি জিলা ৯ দা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউনা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই। অদুমওইনমক তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদদি নোং কন্না চুগনি হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৌমী, ঙামী অমসুং দেরি ফার্মরশিংগী স্বার্থ শোক্কদবা মওংদা ভারতনা মখল অমত্তগী শন্তাইনবা তৌরোই।

ন্যু দিল্লিদা এম.এস. স্বামীনাথন সের্ন্টিনারি ইন্টরনেসনেল কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- লৌমীশিংগী য়াইফবা হায়বসিনা মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মাংজিল থাবা থবকনি। মহাকা হায়-লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎনবা অমসুং লৌউ-শিংউদা তৌবা চাদিং হন্থহন্নবা সরকার অসিনা লেপ্তুনা হোৎনরি। লৌমীশিংগী পাঙ্গল অসি লৈবাক অসিগী খুমাং চাউশিন্নবগী যুম্ফম ওইরি হায়বসি সরকারনা খঙলে।

সাহ ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা ঙসি বিহারগী সিতামারি জিলাগী মনুং চনবা পুনাউরা ধামদা লৈবা সিতা

দেবী মন্দিরগী নৌনা শেমগৎ শাগৎলবা মফম শঙ্গারগনি। তুংদা, শ্রী সাহ্না মন্দির অসিগী নৌনা শেমগৎকদবা শরুক শাননবা উরেপ উয়ুংসু তমগনি। লুপা কোতি ৮৮৩ চংনা নৌনা শেমগৎকদৌরিবা অসিদা মন্দির অমসুং অকোইবগী শক্তমশিং হেন্না ফজহন্নবা থৌরাংশিং য়াওরি। মসিগীদমক বিহার সরকারনা লম একর ৫০ পীরে।

উত্তরাখন্দ ঃ উত্তরাখন্দদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তনা চত্থরি। রাজ্য অসিগী উত্তরকাসি জিলাগী ধারালি-হরসিল লমদমদা হেলিকোপ্তা শিজিন্নদুনা মী কনবগী থবক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অথেংবা ফাওবা চত্থখি। মদুদা মীওই ৩৭২ গঙ্গোত্রি লমদমদগী হরসিলদা অশোই অঙাম য়াওদনা থংদোরকখি।

ঐখোয়গী দেহরাদুন পাউমীনা হায়- লান্মী, এয়ার ফোর্স, আই.টি.বি.পি, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, রাজ্য পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মপুংওইবা থৌদাং লৌদুনা অৱাবা তারবা মীয়াম্বু শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকপগী থবক কন্না চত্থরি। নোং চীংগী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা হেলিকোপ্তর শিজিন্নরি। পনদুন লৈরিবা মীওইশিংদা চান থকবা পোৎলমশিং অমদি হিদাক লাংথকশিং হেলিকোপ্তর শিজিন্নদুনা ফংহনবগী থবকসু চত্থরি।

উত্তরাখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধামিনা হায়- মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক হেক ঙল্লিবা মখে খুমাং য়াংনা পাঙথোক্লি।

মোদি ঃ ব্রাজিল অমসুং ভারতকী মরক্তা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতি লুইজ ইনাসিও লুলা দ সিলভাগী মরক্তা য়ান্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা টেলিফোনদা ৱারী শান্নবদা ৱাফম অসি য়ান্নখিবনি। লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক, টেকোলোজিল, ইনর্জি, ঙাকশেল, লৌউ শিংউ অমসুং হকশেলগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা অমদি লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা হেন্না ফবা মরী

থমবসু মখোয়না য়ান্নখি।

ইন্দিয়া-ব্রাজিল ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ্পু হেন্না ফবা মাইকৈদা পুরকবা পুন্না হোৎনমিন্ননবসু লুচিংবা অনিনা য়ান্নখি।

রসিয়া ঃ  নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবালনা ঙরাং রসিয়াগী সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী চীফ সরগৈ সোইবুগা মোস্কোদা উন্নখ্রে। শ্রী দোবালনা হায়- ভারত অমসুং রসিয়াগী মরক্তা কুইরবা মতমদগী অফবা মরী লৈনরক্লি। লৈবাক অনিমক্কী মরক্তা লম কয়াদা তেংবাংনদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ব্লাদিমির পুটিন অথুবা মতমদা ভারত্তা লাক্লবা য়াই।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা লোক সভাদা মণিপুর বজেৎ অমসুং মণিপুর জি.এস.টি (এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌখিবা, নেসনেল হেন্দলুম ডে পাঙথোকপখিবা অমসুং মণিপুরগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার খনবগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফম পাউচেদা- ওপ্পোজিসনগী খোল্লাউ মরক্তা মণিপুরগী বজেৎ পাস তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন ওইরি।

লাঞ্জেন্নরকপশিং হঞ্জিনহন্নবা বজেৎতা লুপা ক্রোর ৫২৩ য়াওরে হায়না সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা লোক সভাদা মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন বিল অমদি মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে, ফাইনান্সিয়েল ইয়ার অসিগী ওইনা লৈঙাকা লুপা ক্রোর লিশিং ৩০,৯৬৯ গী শেনফম খুদক্তগী শিজিন্নবা য়ারে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রসিদেন্ট রুল শাংদোকপগী ওফিসিয়েল ওইবা নোতিফিকেসন থোকখ্রে হায়না পাউচে অসিদা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

ই-কম্মর্স প্লেটফোর্মগী খুথাংদা মণিপুরগী হেন্দলুমগী কৈথেল পাকথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনরি হায়না চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়লনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি হেন্দলুমনা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং শক্তম ঙাকপদা নত্তনা মী কয়াবসু য়োকখৎলি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি ।

লমদমসিগী আর্টিষ্টশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি কৎথোকপনা মণিপুরনা নেসনেল হেন্দলুমগী মেপতা মফম কনবা ঙমলিবনি হায়বা চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা পাউ নহারোলগী থৌদাংদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরগী অপুনবগীদমক অকি অখণ্ড কয়াগী মরক্তা ৱারী শান্নবা ইম্ফালদা লাকপনি হায়না থাদৌ ইনপি ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানা মণিপুরগী অনৌবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার ওইরগনি হায়বা পাউনা সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাাইন ওইরি।

নাগা তাবা লমগী চীংখোঙদা কৌরিবা বন্দ জোমি-মিজোগী মায়োক্তা নত্তে হায়না এস.এন.সি.সিনা ফোংদোকখিবা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী মফম কয়াদা ইভিক্সন চথখিবগী পাউ, পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংনরি।

--কিরন--